# তেলৌ সোসাইটি ফুটবোল ট্রোফি ঃ সেক্তা (এ) অমদি য়োরবুং এফ সি সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (এস এন এস) ঃ

ইষ্ট্রন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লবনা শীন্দুনা ই য়ু এস সিগী গ্রাউন্দা মমাঙ থাগী ১৯ দগী টিম ৩১ না গ্রুপ– ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকপা ১৪ শুবা তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি লন্নাই অমদি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা সেক্তা (এ) সেক্তা অমদি য়োরবুং এফ সি মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ৫৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা সেক্তা (এ) অমদি ৱাই দি ও খুন্দ্রাকপমনা শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সেক্তা (এ) না ৱাই দি ও খুন্দ্রাকপমবু কিক ফোম পেনালটি মাকতা গোল ৮–৭ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনটশিংদা ৱাই দি ও খুন্দ্রাকপমনা বোল হেননা পায়রগা শান্দুনা সেক্তা (এ)দা লেপ্পা লৈত্তনা প্রেসর পীশিনখি।

মেটচকী মিনট ৬ চৎপদা ৱাই দি ও খুন্দ্রাকপমগী জুর্সি নম্বর ১০ বিজেননা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। অদুবু গোল শোখরিবা সেক্তা (এ)না হাল্ফ অসিগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নরকখি।

সেক্তা (এ)গী জর্সি নম্বর ৩ থৌঙন্বানা মিনট ২১ চৎপদা গোল হন্দোক্লগা ১–১ দা মান্না লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা অমুকক য়াওশিনলক্লবা হোৎনখি।

সেক্তা (এ)না গোল হন্দোকখ্রবা মতুংগী মিনট ১০ কান্নরগা মিনট ৩১ দা জর্সি নম্বর ১২ নোংপোকঙানবনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা ১–২ দা মাঙজিল থারকখি।

অদুবু ৱাই দি ও খুন্দ্রাকপমগী জর্সি নম্বর ৮ বন্তিনা মেটচকী মিনট ৪০ চৎপদা শোখরিবা গোল অদু অমুক হন্দোক্তুনা মেটচকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদদা ২–২ দা মান্না লৈবদগী ৱিন্নর দিসাইদ তৌননবা কিক ফোম পেনালটি মাক কাওন্নখি।

পেনালটি কাওনবদা সেক্তা (এ) না গোল ৬ অদুগা ৱাই দি ও খুন্দ্রাকপমনা গোল ৫ চনখি। সেক্তা (এ)গী পেনালটিগী গোলশিং অদু বিগয়ান্দা,নোংপোকঙানবা, থৌঙম্বা,রেনোল,সনা অমদি ইনাওবিনা চনখি। অদুগা ৱাই দি ও খুন্দ্রাকপমগী পেনালটি গোলশিং অদুনা রোমিও,রাহুল,বমন্তি,প্রাকাস অমদি বিশ্বরকুমারনা চনখি।

টুর্নামেন্টকী ৫৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা য়োরবুং এফ সি অমদি সেক্তা (বি) না শান্নখিবা ৪শুবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়োরবুং এফ সিনা সেক্তা (বি)বু কিক ফোম পেনালটি মাকতা গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী মিনট ৮ চৎপদা সেক্তা (বি) গী জর্সি নম্বর ১১ বিশ্বরজিৎনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অদুবু য়োরবুং এফ সিনা শোখরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্নরক্তুনা সেক্তা (বি)বু শীংন্নরক্তুনা শান্নরকখি।

মদুগী মমাল য়ান্নবা মহৈ অদু ফংদুনা মেটচকী মিনট ২৩ চৎপদা জর্সি নম্বর ১০ ধাননা শোখরিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–১ দা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা টিম অনীনা অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্নরবসু ঙম্মাদবদগী ৱিন্নর দিসাইদ তৌনবা কিক ফোম পেনালটি মাক কাওন্নবা তাখি।

পেনালটি কাওনবদা য়োরবুং এফ সিনা গোল ৪ অদুগা সেক্তা(বি) না গোল ২ খক ওন্থোকখি। য়োরবুং এফ সিগী পেনালটিগী গোলশিং অদু অর্জুন,তাঙবা,লৈশেম্বা অমদি ধাননা চনখি। অদুগা সেক্তা (বি)গী পেনালটিগী গোলশিং অদুনা বসন্তা অমদি থোইনা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা থা অসিগী ১২কী নুংথিল পুং ২ তাবদা লক্কী ষ্টার অচানবীগে অমদি য়োরবুং এফ সিগা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা ও এফ এ পুঙদোংবম অমদি সেক্তা (এ)গা শান্নগনি।

# টিকেন্দ্রজিৎ নীংশিং অন্দর ১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্টদা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ককচিং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (এস এন এস) ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসেসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা দি এস এ গ্রাউন্দা ককচিংদা টিম ৭না গ্রুপ–৩ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ৯ দগী চথরকপা ৩শুবা টিকেন্দ্রজিৎ নীংশিং অন্দর ১৩ বোইজ ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–এগী লীগ মেটচতা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিং মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিং অমদি ককচিং টাউন্ট ক্লব ( কে টি সি )ককচিংবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংনা বোল হেনা পায়রগা শন্দুনা কে টি সি ককচিংগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চখদুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা প্রেসর পীশিনখি।

মেটচগকী মিনট ১৩ চৎপদা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংগী জর্সি নম্বর ২৮ রিশিকন্তনা কে টি সি ককচিংগী গোল কিপ্পরবু তুংওইনরল্লগা মেটচকী অহানবা গোল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা মহাক্কী টিমদা থৌনা হাপখি।

মেটচকী অহানবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনট ৩ কান্নরগা মিনট ১৬ চৎপদা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংগী জর্সি নম্বর ১৬ নুংথোইনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ অসিগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদসু গোল মাঙজিল থারিবা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্দুনা শান্নরকখি।

টিম অসিগী ৩শুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১৬ নুংথোইনা মেটচকী মিনট ২২ চৎপদা মহাক্কী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোখরিবা কে টি সি ককচিংনা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্নরবসু ঙমদবদগী জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংগী মখুৎত্তা মায়থিবা নংখি।

মেটচ অসি টি ঐচ অরুনকুমার,এস লিটনবলা,এল দিরিক অমদি টি এন অঙখুলনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি,এষ্টিটেন্ট রেফরি ১,এষ্টিটেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদা গ্রুপ–বিগী মেটচ ওইনা এস দব্লিউ সি কৈরক অমদি এস এ ও ককচিংগা শান্নগনি।

# ইম্ফাল ইষ্ট সুব্রোতো মুখ্ররজি ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১০(এস এন এস)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফির্য়স এন্দ স্পোর্টস ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৪ দগী ২৮ ফাওবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্কুল সুব্রোতো মুখ্ররজি ফুটবোল টুর্নামেন্ট অন্দর ১৪ বোইজ,অন্দর ১৭ বোইজ এন্দ গার্লস খুমন লম্পাক স্পোর্টস কম্পেলেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

চহী ১৪ মখা বোইজকী শান্নরোইশিংনা ২০০৬ গী জানুৱারি তাং ১ নত্রগা মসিগী মতুংদা পোকপা, চহী ১৭ মখাগী গার্লস অমদি বোইজ কীনা ২০০৩ গী জানুৱারি তাং ১ নত্রগা মসিগী মতুংদা পোকপা শান্নরোইশিংনা য়াওবা য়াগনি। শরুক য়ানিংবাশিংনা থা অসিগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা ফোম পীশিনলকপা য়াগনি। শান্নরোইশিংনা ইলিজিবিলিটি ফোম পীশিনবা লাকপা মতমদা মশা মশাগী বার্ট সার্টিফিকেট,অধার,ইন্দিয়ান পাসপোর্ট য়াওরকদবনি।

# ভোবিনামগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জুন ১০ (এস এন এস) ঃ

ভোবিনাম এসোসিয়সন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা অসামগী গুৱাহটিদা লৈবা ফুকাকনি ইন্দোর ষ্টিদিয়মদা চহী অসিগী জনুগী তাং ২ দগী ৫ ফাওবা পাঙথোকদৌরিবা ৯ শুবা নেসনেল ভোবিনাম চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা ষ্টেট অসিগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ানবগী টিম শেম্নবা ত্রাইয়েল কম সেলেক্সন অমা মণিপুর ভোবিনাম এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরননা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থা অসিগী ১২ তা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টিদিয়মদা পাঙথোকদৌরিবা ত্রাইয়েল কম সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা রিজিষ্টার তৌরবা ভোবিনামগী শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১২গী অয়ুক পুং ৬ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টিদিয়মদা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌরনবা ভোবিনাম এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরী দেবেন মোইরাংথেমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহনলক্লি।

# ইবুঙোয়াইমা নীংশিং ভেটরান হোক্কী টুর্নামেন্টতা মৈরা বাশিখোং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ১০ (এস এন এস) ঃ

মণিপুর ভেটরান হোক্কী এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমুকচম ওঙবী লীয়োনি দেবী মোমোরিয়েল ট্রস,খুয়াথোংনা স্পোন্সর তৌরগা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টিদিয়মদা থা অসিগী ৩ দগী হৌরগা ১৬ ফাওবা টিম ৫ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৪শুবা খুমুকচম ইবুঙোয়াইমা সিংহ নীংশিং মেন্স ভেটরান হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মৈরা বাশিখোং মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।





টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মৈরা বাশিখোংনা থৌবাল হোক্কি এসোসিয়েসন থৌবালবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী মৈরা বাশিখোংনা থৌবাল হোক্কী এসোসিয়েসনবু লাকশিন্না শান্দুনা দিফেন্সতখক মথৌ তৌহনখি।

মেটচ অসিদা মৈরা বাশিখোংনা পেনালটি কোনর ৪ ফংবদা ২ দি গোলদা ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা থৌবাল হোক্কী এসোসিয়েসননা পেনালটি কোনর ২ ফংলবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মেটচ অসিগী মায় পাক্লবা মৈরা বাশিখোংগী গোলশিং অদু অহানবা ক্বার্টরাদা জর্সি নম্বর ৩ এন গুনামনিনা পেনালটি কোন্নরদা মেটচকী মিনট ২ অমদি ১১ দা গোল ২ চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা ক্বাটরগী মিনট ৪১ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৭ বিরজিৎনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা অহুমশুবা ক্বার্টর লোয়বা ফাওবদা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

টিম অসিগী অতোপ্পা গোল অদুনা মরিশুবা ক্বার্টরগী মিনট ৫২ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৫ ঐচ রাকেসনা চন্দুনা মেটচ অসিদা মায় পাকপগগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।

মেটচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেটচনা মৈরা বাশিখোংগী জর্সি নম্বর ৮ দব্লিউ রোমান্সনা তাখি। মেটচ অসি কে অরুন অমদি এ বেদান্তানা অম্পায়র ,পি অদীরানা জস অমদি এম রোমেননা টিক্লিকেল ওফিসর ওইদুনা কন্দক তৌখি।

হয়েং চথরিবা ৪শুবা খুমুকচম ইবুঙোয়াইমা সিংহ নীংশিং মেন্স ভেটরান হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৯ অসিগী ৯ শুবা মেটচতা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিক য়েঙবম লৈকাই অমদি য়াইস্কুল এথেলিটিক ক্লবকা (ৱাই এ সি)না নুংথিল পুং ৩ তাবদা শান্নগনি।

# মিসিকোলনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (এস এন এস) ঃ

ওল মণিপুর চৈবী এসোসিয়েসন অমসুং মীতৈ কাউন্সিল মোরে অনীনা খুৎশম্নারগা শীন্দুনা থা অসিগী ৮ দগী মোরেদা লৈবা কুন্দোং লাইরেনম্বি ইমাগী লাইবুংদা চথরকপা ১৯ শুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র নীংশিং কুমওন থৌরমগা মরি লৈননা পাঙথোকপা ৮ শুবা ষ্টেট লেভেল কেদেদ এন্দ জুনিয়র চৈবী ইনভাইটেসন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন মিসিকোল থাঙ–তা খুরাইনা ওইখ্রে।

মিসিকোল থাঙ–তা খুরাইনা টুর্নামেন্ট অসিদা পোইন্ট ১১ ফংদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন অদুগা মীহুল থাঙ–তা ওক্রম চুথেকনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা রন্নস অপ তাখি।

টুর্নামেন্টগী কেজি ২০ দগী ৪৭ ফাওবগী নুপামচাগী কাঙলুপ্তা পালেমগী এ রোহিটনা অহানবা, কেজি ৪৭ দগী ৫৫ ফাওবগীদা মীহুলগী এন কে চেঞ্জেরনা অহানবা, কেজি ৫৫ তা ই ই এগী ই সাম্যসননা অহানবা তাখি।

নুপীমচাগী কেজি ৪০ দগী ৪৭ ফাওবগীদা মীহুলগী এন হেলেন চনুনা অহানবা, কেজি ৪৭ দগী ৫৫কীদা মীসিকোলগগী কে অবেসনা চনুনা অহানবা অমদি কেজি ৫৫ তা মীহুলগী ঐচ স্বীট্রিনা অহানবা তাখি।

# অনীশুবা মণিপুর সেনিয়র টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী চহী ৪৫কী সিঙ্গলসতা তুলেশ্বরনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,জুন ১০ (এস এন এস) ঃ

মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসন (এম টি এ)গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেন্নিস এসোসিয়েসন ( আই দি টি এ ) অমদি এসোসিয়েসন ফোর সেনিয়র টেন্নিস প্লেয়র মণিপুর ( এ এস টি পি এম) অনীনা পুন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৮ দগী ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেন্নিস এসোসিয়েসনগী লম্ফেলদা লৈবা টেন্নিস কোর্টতা পুন্না শান্নরোই ১০৭ না শরুক য়াদুনা চথরকপা অনীশুবা মণিপুর সেনিয়র টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা চহী ৪৫ মথক্কী সিঙ্গলস টাইতল তুলেশ্বরনা ওইখ্রে।



কাঙলুপ অসিগী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতাং তুলেশ্বরনা দাইচিলুংবু ৭–৫,৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা টাইতল অসি লৌখিবনি।

সেমি ফাইনেলদা তুলেশ্বরনা জয়েন্তবু ৭–৫,৬–০ দা অদুগা দাইচলুংনা ইবোহলবু ৬–৪,৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

চহী ৩৫ মথক্কী শান্নখিবা সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা বোনানা সুরজপু ৬–৪,৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা কাঙলুপ অসিগী ফাইনেলদা বোনা অমদি তুলেশ্বরগা ফাইনেল শান্নগনি।

চহী ৩৫ মথক্কী দব্লসতা ইবোহল অমদি সুরজকী জুরানা তুলেশ্বর অমদি সনাতোম্বাগী জুরাবু ৬–২,৬–২ দা মায়থিবা পীখি।

চহী ৯০ মথক্কী কম্বাইন দব্লসকী শান্নখিবা ফাইনেলদা দিলিপ অমদি দাইচিলুংগী জুরানা কোপিচৌ অমদি মনিকন্তগী জুরাবু ৬–২,৭–৬ (৭–২) দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা দিলিপ অমদি দাইচিলুংগী জুরানা রাকেস অমদি ইবোহলগী জুরাবু ০–৬,৬–৪,১০–৮ তা অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা কোপিচৌ অমদি মনিকন্তাগী জুরানা সনাতোম্বা অমদি রোমিওগী জুরাবু ০–৬,৬–৩,১০–৮ তা মায়ীথিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

চহী ৫৫ মথক্কী শান্নখিবা সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলদা সরতনা রঞ্জিৎপু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলদা সরত অমদি দিলিপ শান্নরগনি।

চহী ১১০ মথক্কী কম্বাইন দব্লসকী শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দ্র অমদি প্রকাসকী জুরানা ইবোয়াইমা অমদি সরতকী জুরাবু ৬–২,৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

# ইন্দিয়াগী ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা শরুক য়াগদবা বোডি বিল্ডসকী মীং লাওথোক্লে

ইম্ফাল, জুন ১০ (এস এন এস)ঃ

চহী অসিগী জুলাই ৬ তগী ৮ ফাওবা তেলংঙ্গনদা পাঙথোকদৌরিবা ৫৩ শুবা মিষ্টর এসিয়া অমদি ১১ শুবা মিষ্টর ৱার্ল্ডদা ইন্দিয়াগী টিম শেম্নবা ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা শরুক য়ারুনবা মণিপুর বোডি বিল্ডীংগী টিমগী মিং ওল মণিপুর বোডি বিল্ডস এসোসিয়েসননা লাওথোক্লে।

ইন্দিয়াগী ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা শরুকক য়ারুনবা খনগৎখ্রবা বোডি বিল্ডসশিং অদুদি জুনিয়র বোডি বিল্ডীংগী কেজি ৭৫ তা কুঞ্জময়ুম তখেলঙানবা( ৱাই বি বি জিম, পীশুম), কেজি ৭৫ মথক্তা রিশিকন্তা চান্দম (ষ্টার জিম,ক্বাকৈথেল), পেবম মেধজিৎ (এল পি জিম,শীংজমৈ) নি।

সেনিয়র বোডি বিল্ডীংগী কেজি ৫৫ তা এল নেতা সিংহ(য়ুনাইটেদ জিম,নাওরেমথোং) অমদি মাইমো হেরোজিৎ সিংহ ( মোন্সটর জিম,অরাপটি) নি। কেজি ৭০ তা অরাম্বম মঙাল (রোয়েল জিম,নিঙোমথোংজাও) অমদি ৱাঙ্খেম মহেস (সলাই জিম নাওরেমথোং) নি।

সেনিয়র বোডি বিল্ডীংগী কেজি ৭৫ তা কুঞ্জময়ুম তখেলঙানবা সিংহ ( ৱাই বি বি জিম, পীশুম) নি। কেজি ৮৫ তা রিশিকন্তা চান্দম (ষ্টার জিম,ক্বাকৈথেল) অমদি লাইতোনজম রিশিকন্ত ( কে বি বি জিম, তেরা)নি।

মেন্স ফিজিক্সতা অরাম্বম মঙাল (রোয়েল জিম,নিঙোমথোংজাও) অমদি ৱাংহেংবম সিতলজিৎনি। ৱুমেন্স মোদেল ফিজিক্সতা জান্সি মৈসনামনি।

ৱুমেন্স বোডি বিল্ডীংদা এল সরিতা দেবী অমদি ৱাই জমুনা দেবীনি। মেনেজর কম কোচনা এন কিসন সিংহ অমদি ওফিসিয়েলদা এন রতননি।

অমরোমদা নেপালগী কদমন্দুদা জুলাইগী তাং ১৮ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মিষ্টর সাউঠ এসিয়াদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী বোডি বিল্ডর এন নেতা সিংহ অমদি এল রিশিকন্তা সিংহদা ইন্দিয়ান বোডি বিল্ডস ফেদরেসননা স্পোন্সর তৌরগনি হায়রি।


ই.পি.এস.
IPS, CANCHIPUR
IPS SCIENCE & ARTS GROUP
ADMISSION OPENS FOR 2019
FOR CLASS XI
BOTH SCHOOL AND HOSTEL
RECOGNISED BY THE GOVT. OF MANIPUR AND AFFILIATED TO COHSEM
FEATURES :
1. TOPPERS IN HSLCE, 2019 - SCHOLARSHIP OF 2 LAKHS.
2. 90% AND ABOVE IN HSLCE, 2019 - RS. 1 LAKH.
3. 80-89% IN HSLCE, 2019 - RS. 60,000/-
4. 70-79% IN HSLCE, 2019 - RS. 30,000/-
5. 60-69% IN HSLCE, 2019 - RS. 20,000/-
6. 59% & BELOW IN HSLCE, 2019 - SPECIAL PACKAGES



Note : (i) Date of counselling, students' interview and parents' interaction will be announced later on. (ii). Limited seats and limited time.
- Enjoy the Scholarship and Facilities under IPSCT, Canchipur.
- Scholarships will be given on Selection Basis and Family Conditions.

FREE COACHING FOR CIVIL SERVICES EXAM. FOR APPEARING IAS,IPS
OFFICE OF THE SCHOOL WILL BE OPENED ON SUNDAYS & HOLIDAYS ALSO

CHAOKHAT KHONGTHANG
LUCKY DRAW

| DRAW | DATE | 1st Prize | 2nd Prize | 3rd Prize | 4th Prize | 5th Prize |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st Draw | 07th July 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 2nd Draw | 07th Aug. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 3rd Draw | 07th Sep. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 4th Draw | 07th Oct. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 5th Draw | 07th Nov. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 6th Draw | 07th Dec. 2019 at 11.00 a.m. | Pleasure | Pleasure | Pleasure | Pleasure | TATA Tiago |

6 Months Lucky Draw Started from 7th July,2019 Contribution Amount ₹ 2000/- Per month.
Last Date of form Submission 26th June,2019
অথুবগী ওইনা এজেন্ট ওইবীনিংবা মীওই খরা পামজে
Pliz Contact: 7005162621
SL / B / M / Packd.
Consolation Prizes
Mobile Handset
Telivision
Gas Frame
Mixer Grinder
Tick your choice


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com